ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, জুলাই ২২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১১৭শুবা মশীং

## ৱারীনহৌনরনি, করি কান্নে
### মকন্থিনা মরল ফোইদৎলি হায়বদু তারক্কনি

পিক্লবসু মণিপুরগী মীয়াম্না, মরু ওইনা ভোটরশিংদা য়াম্না চন্না, ফজনা হেক-হেক খঞ্জবা ৱাখল অমা লৈ। ৱাখলসি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিগী মফমদতা খনবা নত্তে। মমাঙ থক্তা লৈখিবা, পানখিবা লৈঙাক পূন্নমক্তসু মতম-মতমদুগী মীয়াম্না লৈখিবা, পানখিবা লৈঙাক পূন্নমক্তসু মতম-মতমদুগী মীয়াম্না মখোয়গা হকথেংনখিবা লৈঙাকশিংদুদা, লৈঙাকশিংদুদা পৱার পায়বা য়াওবা য়াওদবা মন্থিনদনা টর্মদুদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবশিংদুদা খনবা ৱাখলনি। ওপোজিসন ওইগেরা, রুল্লিং ওইগেরা, রুল্লিংগী কাঙলুপ্তা য়াওরগনা মতু-মমান খরা খিংই হায়বগী ৱানি। মীয়ামদদি মখোয়গী মীহুৎশিংদু ইলেক্তেদশিংনি, অঙম্বনি হায়দুনা চপ-মান্ননা খল্লি। মীয়াম্না খল্লিবা ৱাখলসিনা মখোয়না খঞ্জবা, মখোয়গী মীহুৎশিংদুনা মখোয়গীদমক, লৈবাক মীয়ামগীদমক অফবা, কান্নবা য়াইফ-থৌরাংগী থবকশিংতমক তৌরক্কনি হায়বনি। মসিদা থল্লিবা থাজবনি। মীয়ামগী ৱাখলসি য়াম্না ফজখ্রবা অদুগা মমলসু য়ামখ্রবা ৱাখলনি। মসিনবু ইলেক্সনগী মতমদা ভোটিং রাইটশিংগা মনতিক্লদুনা মমল লৌনবা খরা য়াওরবসু মহাক অমনা মীহুৎ ওইখ্রবদি মখোয়গীদা নত্তনা লৈবাক্কী অফবা, অচুম্বা, কান্নবা থবকশিং খরদা ওইরবসু তৌরক্কনি হায়দুনা লমজিং ওইরগা থাগৎনরক্লিবনি। চন্না ফজখ্রবা মীচম মীয়াম ভোটরশিংগী ৱাখলনি। মসিগী চৎনবীসি হৌজিকসু লৈরি। মতুংদসু খরগা শাংথনা লৈখিগনি খল্লি। অদুবু থাজবগী ফজখ্রবা ৱাখলসিগী থৌইনশিন্দগী খল্লগা থাগৎখ্রিবা মীহুৎশিংদুনা লৈবাক লৈঙাকপা অমমম ওইদুনা লৈঙাক্লোন্দা শরুক য়াখ্রগা পুখ্রিদা থাদবদা ঙা অমা ফারগা কারকই হায়বদুদি থোক্তুনা চু চারুচো হায়দুনা থাখ্রগা মংগ্রা ওইনা চারগা হল্লকই হায়বদুগী থৌদৌদা তারকপসু হেক হেক য়াওরকই। মতমদুদদি মখোয়দা চন্না, ফজনা অমসুং থাজনা খঞ্জরুবা ভোটর মীয়ামগী থম্মোয় কায়রকই, থাজবা মাঙলকই, খূৎ-শা প্রোক-প্রোক থেক্তুনা থবাক খূত্তুম শুদুনা খাঙই। মীয়ামদুগী মফমদা পোকপদা হরাওদবা, শিবদা কপনীংদবা হায়বদু ফাওবা য়ৌহল্লকই। মসিদগী মসিগুম্বশিং থোকহল্লকখিবা মখোয়গী মীহুৎশিংদুনা ৱাংলবা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবগী ৱাংলবা চৌক্রিদা অমুক হন্না কাখৎপা ঙমদনা তোকখিবা মীহুৎ ওইরম্বা ময়াম য়াওই।

মসিদি চুমদে, মখোয়দা থম্লুবা মীয়ামগী থাজবদুদং মাঙহনবা নত্তনা লৈবাক্তুগী মাঙলোমদা চেনখৎকদবা লমজেলদা খুরৌ থাংলকহল্লি। পূন্নমক্কী অফবা হায়বদু ওইরক্তে। হন্দক জুলাই ১৯, ২০২১দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস অনীগী বেঞ্চ অমনা পীরকখ্রিবা ওর্দরদু লমদমসিগী মীয়াম্না ৱারীনহৌবদগী হেন্দোক্তুনা লৈবাক অপূম্বগী জুদিসিয়ারিদা মীরোল কয়ানা অনৌবা পাড়া অমা, খূৎলায় ওইনা শীজিন্নহৌরগদবা থৌদোকনি। মণিপুরদা লৈবা নেসনল পার্টি অমগী ষ্টেট য়ুনিটকী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা লৈখিদবা থৌদোক্তা মরী লৈননা মশাগী পর্সনেল ফেসবুক একাউন্টতা ৱাহৈ পরেং অমা ইদুনা পোষ্ট তৌরকই হায়দুনা মীওইদুগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা ফাবনি। কেসতুগী মতুংইন্না ফারবা মীওইদু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথরগা থম্লকপনি। রিমান্দগী মতম লোইরদুনা কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরক্তুনা পুথোরকপনি। মদুদা এক্যুজনি হায়রিবা মীওইদুনা পুলিসকী প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌরক্তুনা বেল পীবিয়ু হায়রকপনি। ৱাফমদু কোর্টনা মরী লৈনবা লোগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না খন্নরগা মহাকপু বেল পীখিবনি। অদুবু বেল পীখিবা নুমিৎতু মক্তদা মীওইদুবু নেসনল সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা দিটেন তৌশিন্দুনা জেলদা নমশিল্লকপনি। থৌওংসিদি ইঙ্খোলদা চঙলকপা ষণ অমনা এঙ্কাং-নাপি চাথোকখিদনবা পুনশিল্লগা মপু থিরগা পীথোকখিনবা তৌবগী মথক্তা ষণদুবু থাঙজৌ পায়রগা য়াম্থৎলুবগুম্বনি। হৌজিক্তি করি শারে? সুপ্রিম কোর্টনা মীওইদু নোংমা ফাওবা হেঞ্জিন্না চোন্থহন্দনা জেলদগী থাদোকউ হায়দুনা তকথরকপদগী চেনা পলহন্দনা থাদোকখ্রে। মসিনসু লোইদ্রি, মরম চাদনা দিটেন্সন তৌরুবগী কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়দুনা তাল্লক্লে। থৌওংসিদি ঐখোয় শ্বাইদদা নত্তনা লৈবাকসিগী মীয়াম পূন্নমক্কী মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুম্বনি, শঙবাইদা ফম্মী হায়বা থৌদোক্তুনি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা লো মরম চাদনা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নরুবদা মমৈ চপ্পগী থৌদৌ তারকপনি। মসিদি চুমদে। মীয়ামগী অফবা লৈঙাক অমা ওইহন্নবগীদমক লৈঙাকপু হিনাও শাবীরিবা অখঙ-অহৈ, এক্সপার্টশিংনসু চুমদবা থৌওং চখ্‌দনবা থৌজিনবীরোইদবনি। তৌফম থোকপনি হায়দুনা নৎত্রগা শক্তা নুংশিদে হায়দুনা শামুগী মপোৎ ঈরোইদা থোনগৎলুবা য়ারোই। মসিদি মকন্থিনা মরল ফোইদৎপা তাগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২

১) কুমজা ১৯৫৪দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা *'জাৎ ওনবা'* হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?
২) ***''থমজরম্লে থৱায়গী থৱায়/পামজবদা পীথোল্লক্লে/শেমজরম্লে তুরেলগী কাওশীং/ঈচেলনুংদা শিন্নরম্লে।/অসি য়ৌনা লাইবকথীরবী/তোর্ব্বান ৱাংমা য়ৌজরগে।''*** ঈশৈ শৈরেং মতেকসি কনানা ইবনো অমদি করি লাইরিক্তুগী লৌথোরকপনো?
৩) গ্যানপিথ এৱার্দ ফংলবা গুরদিয়াল সিংহগী ***''মারহি দা দীভা''*** হায়বা লাইরিকসি মীতৈলোন্দা করি হায়না থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?
৪) ***''চীংথঙখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা''*** হায়বসি কনানা লেংবনো?
৫) কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দা ইন্টরমেদিএট আর্টসতা তম্নবা অহানবা মণিপুরী শৈরেংগী টেক্স বুক ওইখিবদু করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৩৮
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলাগী ৱারীসি পরিং সুম চথ্‌রকপদা, ময়াম্নসু তোয়না হংবীবা, অদুগা লন্নাই ওইনসু লীলাগী আর্টিষ্টশিংসিনা তোয়না কায়নবা, অমুক য়াওরকপা অমুক চোঙথোকপা মদুগী ৱারীদু অমুক্তা ইবিরকউ হায়না হায়বিরকপা খরা লৈজে। মসি হেক চপ চানা ইথোক্তুনা ফোঙদোকপদদি হৌজিক হৌজিক হিংলিবা আর্টিষ্টশিংসু য়াওবনিনা মমিং-মথামক পন্দুনা হায়বদা খিত্তংদি নুংঙাইতে। অদুবু খরা লোল্লপ তৌবা লোন্দাদা মতেক খরা সুম মীয়ামদা পাউদমজগে। মসি ফত্তবগী ৱাদি অমত্তা নত্তে। শুমাং লীলা হায়বসিগী মনুংদা, মদুবু ওইনবা হোৎনবদা চখ্‌নরিবা পোলিটিক্স অমদি মদুগী ষ্ট্রেটেজিক কয়া অদুগী ৱানি। মসি ঐসু হৌজিক্তদা সুম নোংফাদোক নীংশিংদুনা শান্নবদা য়াম্না নোক্লিংবা অমদি অঙকপা অমনি হায়না খনবা লৈজে। শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিংসি হেক-হেক কায়নগল্লি হায়বসিমদি মমাঙ মমাঙদসু থমজখ্রেকো। অসুম্না অমুক-অমুক হেক-হেক কায়নরকপদা, লীলাগী পার্টিশিংসি থোক-থোক লোংনা তাবা য়াওনরিবনি। মসিদা পোলিটিক্স হৈহৌদদনা, সুম তূমিন লৈশিল্লুরগদি কোক-মৈ খঙদখৈ ঙাওরগা চেন্নদৌরিনি। অদুনা ময়াম্না হৈ-শিংবা অমা চঙই। মসি আর্টিষ্ট খুদিংমক্লা রেসপোন্সিবিলিটি লৌদে। মকোক মরূ ওইনা শিন-লাংলিবশিং অদুনা মাগী গ্রুপ অদুদা লৈরিবা আর্টিষ্টশিং অমদি অকোয়বা লৈনরিবা পার্টিগী ফীভম কয়াশিং অসি য়াম্না চেকশিন্না ওবজার্ভ তৌবা অমা মথৌ তাই। অদুনা অসিগুম্বা থৌদোক অমমমদা আর্টিষ্ট হাপতোক-হাপচিন, শেমদোক-শেমজিনগী মতাংসিদা ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা ৱারী থৌদোক খরা লৈ। মসি পার্টি খুদিংমক অমদি আর্টিষ্ট লোইনমক্কী ৱাদি নৎচদে, লান্না লৌবীগনু, ঐ ইশাগা শাগোন্ননা থেংনজবা খরগী ৱারীনি।

লীলা পার্টিগী মনুংদা লৈমিন্নরিবা আর্টিষ্ট খুদিংমক, চপ মান্নবা পুকচেল চেনবসিদি খরা অদুম ৱাৎনবদৌনা তৌই। অদুইসু মথক্তা ইগোসি অসুক্কী মতিক ৱাংনা লৈনৈ। ঐ অমা য়াওদবদা মোই পুমলোই লোইগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অমা খঙজিল্লক্তুনা মহাক মশাদু য়াম্না ইমপোর্টেন্ট ওইনা লৌবা অমদি মা মশাগী ভেল্যু অদুনা হেন্না লৈবদৌনা খন্নবসু অদুম খরা উজবা ফংই। অদুনা পার্টি অমগা পার্টি অমগগী মরক্তসু ককশাবী শানদুনা আর্টিষ্ট চিংথোক চিংশিনসি য়াম্না তোয়না হেক-হেক তৌনৈ। মসি ইশম-শম্না হায়রবদা হিগাইৱা-চিনগাইৱা হায়বা মৈতৈ ৱাহৈ অমা লৈবদুনি। অমদনা অমা থোক হায়জিনবা, অমদনা অমা হেক হায়জিনবা। নঙনা মোইগী পার্টিদুদা য়াওরিদুবু, নঙবু করি কান্নরিগে। চুম্না লীলা য়াওরি, লীলা খরা চৎলি হায়বগী ৱানি, নঙগী মীংচৎ পুরকপা য়াবা রোল অমত্তসু পীবিদে। শামুগী মমৈ ওইদৌ শরুক, হামেংগী মকোক ওইরোলাও, ঐখোয়গীসিদা য়াওরগা নঙ করি তৌগে য়েংউ, খ্বাইদগী ফজ-ফজবা রোল নঙোন্দা অতম্ননা ইহল্লগা, ময়ায়দা লেপহনগদৌরিবনি (হায়বদি হিরো শাহনগদৌরিবনি/হিরোইন শাহনগদৌরিনি) গকা হায়বা ৱাকাসি নোংমা নোংমগী সুম খরা-খরা হায়বসিনা আর্টিষ্ট অদুগী মপূক্লিং অদু থোক-থোক ওলহল্লিবনি। মসিগুম্বা লৌ-লাংসি য়াম্না থাকনৈ। অদুনা লীলা খরা হেক কোম্লকপদা হায়বদি চৎপা লেপ্পকপদা ঈরাংসি শাগৎনরক্কদৌরিবনি। শেল অসুক পীগে, অদু তৌগে, অদা তৌগে হায়না মমিৎ মমায় থকহনগদৌরিবনি। মসি কূপ্না ওবজার্ভ তৌহৌদ্রবদি ইরায় লায়না থিংবা ঙমদে। করিগুম্বা খঙহৌরবদি, মীনা হায়রিবদুগী মথক্তা সিনি-সিনি হায়না থেম নৌদনা য়ারিখৈ ফাজিন্নবা হোৎনগদৌরিবনি। য়াররোইদবা মমি উরগনা, মাগী মহুৎ শিনবা য়াবা, অচঙবা আর্টিষ্ট অমা থিবা হৌগদৌরিবনি। মানা হেক তোক্কে হায়রকপগা অমদু শৎ লাউনা অমুক শিনজিল্লগা, মহাম ইতা তাদনা অদুম চথ্‌বা য়ানবা থৌরাং লাংহৌগদৌরিবনি। মসি য়াম্না হৈ-শিংবা অমা মথৌ তাই।

লীলাগী নুপী শাবীদগী চিংলগা খরা ফবা এক্টরশিংসি চিংথোক চিংশিন তৌবসিদি, নুপী চেনবগা চপ মান্নবজাৎনি। ময়ামদগী তূমিন্না কনামত্তা খঙহন্দনা পুরল্লগা মফম অমদা মপান থোকহন্দনা থমগদৌরিবনি। নৎত্রগা হোটেল অমদা কা অমা ৱায়রগা থমগদৌরিবনি। হায়রিবা আর্টিষ্ট অদু অতোপ্পনা থিরকপদা, মরু ওইনা মাগী মচিন-মনাও, মমা-মপা অমদি হান্নগী পার্টিদুনা থিরকপদা খঙদনবা। হেক খঙখিবদা নম হাদুনা পুরগা চৎখিদৌরিবনি। অদুনা য়ারিখৈ খঙহন্দনবা হোৎনৈ। হোটেলদা থম্লসু ঐখোয়দি য়ারিখৈ চৎলোইদৌরিবনি। মীনা উখ্রবদি করিগীনো মানা সিদা তোয়না লাক্লিবসি হায়না চিংনখিদুইনি। অসুম্না য়াম্না ৱানা অমদি শেল তিংনা আর্টিষ্টশিং অসি য়াওহল্লক্কদৌরিবনি। অমসু অমসু লৈখায় হেক তাদ্রিফাওবদি লোৎকদৌরিবনি। চে চাং ইনদুনা য়ানরবা, হায়বদি হান্না য়াওরম্বা পার্টিদুনে, অনৌবদুনে য়ানবা অমা চংই। মাগী হান্নগী শেল তোল্লম্বা, অতৈ অতৈ করি করা লৈরম্বা ময়ামশিং অদু অনৌবা য়াওদৌরিবা পার্টিদুনা লোইনা ক্লিয়র তৌগদৌরিবনি। মদু হেক লোইশিনবদগীদি কেম্পতু থাদোল্লসু য়ারে। শেল য়াম্না চঙখ্রবা, মতমসু য়াম্না মাঙবা অদুগা অরোন অথুপসু য়াম্না তৌদবা য়াদবা থবক অমনি। অসুম্না লীলা পার্টি অমদগী খরা ফবা আর্টিষ্টশিং চিংথোকপসিদি ফাগি য়াবা থবক নত্তে। মদুগী মতমদুদদি আর্টিষ্টতুনা চাগে হায়বদা পীজগদৌরিনি। য়াম্না নুংঙাইনা থমদৌরিনি। মসিদা অমুক করিগুম্বা য়ানীংলক্ত্রবদি, লোন্না মথন্তা চেনখিদুইনি। চেনখ্রদি অমুক হিসাব লোইনা কায়রে। অদুনা মীনা মশক খঙদবা ঐগী-ঐগী ওইবা মী খরা লোন্না শেন্নরগা থমগদৌরিবনি। অদুগা মখোয়গা পাউ ফাওনরগা থবক খুদিংমক চথ্‌গদৌরিবনি।

কনাগুম্বা অতোপ্পা পার্টি অমগী আর্টিষ্ট অমগা ঐগা ইচম চম্নগা ৱারী শানবসি, পার্টি অমদুনা হেক্তা চিংনৈ। ঐনা আর্টিষ্টশিংদু থেম্মগা পুথোকখিদৌরে হায়না। অদুনা হায়নরোইদবা ৱাগসি হায়নদনা য়েংথিনবগসু ময়াওরিবনি। অদুবু করিগুম্বা মখোয়দু চিংথোল্লগে গাইনা খনবসিদি, ঐনা হান্না অমুক্তা ৱারী শাদে, মী থাজিল্লগা ৱা হায়নহল্লগা, য়ানরবা মতুংদা, খরা লোল্লপনা মফম অমদা ইশাগা উনরগা কন্দিসনশিং অদু ৱারী শানদৌরিনি। ৱা য়াম্না হায়নবা য়াদে। য়াম্না হায়নবদা অমনসু অমনসু খুদোংচাবা য়াম্না লৌনবা হোৎনরকই। অদুনা ঐদি ৱা য়াম্না হায়দে। হায়নবা য়াবা ৱা খরা সেরিয়সলি হায়নরগা লোইরে। মসি হৌজিক্কান্দগদি অমত্তা তৌরম্মরোই, মতম অমগী ৱানি। য়াম্না তোয়না লীলা পার্টি কায়নবদুসু, ঐনা সেক্রেটরি ওইরিঙৈগী মতমদা কাঙলোন অমা শেমদুনা আর্টিষ্ট অমনা য়ামদ্রবদা চহী অহুমদগী তাদনা পার্টিদুদা য়াওগদবনি, মদু হেক থুগাইরকপদা মাগী মথক্তা মতমগা চুনবা পেনালটি পীগনি হায়বা ৱারেপ লৌদুনা চেদা তাদুনা থমখ্রবনিনা, থা খুদিংগী হেক হেক কায়নরম্বা অদুমদি লৈখিদ্রবনি, মসি হৌজিকসু অদুম চৎনরিবনি। তৌবগীবুদি লীলা পার্টি কায়থোক কায়শিন, চিংথোক চিংশিন হায়বসি ঐখোয়গী মতমদা তৌরকপা নত্তে। মমাঙঙৈ ঐখোয়গী মমাঙদা লৈরম্বা অহল লমনশিংগী হাক্তক্তগী হৌনা মসি তোয়না তৌদুনা লাকপনি। মসিগী মতাংদা নুংঙাই নুংঙাইবা ৱারী কয়া অমা লৈখিদ্রবা অহল-লমনশিংনা ঐঙোন্দা লীবিরম্মী। মিং খরদং পল্লবদা - ঐগ্যা জুগেশ্বর (চৈতৈ শাবা), এম বিনোদ (জগৎসিং দাকু শাবা), তাদা শামু (অবিরখান শাবা), এল ইবোতোম্বী শর্ম্মা (সামো শাবা), তাদা ইবোতোম্বী (ডা. পাল শাবা), তাদা থম্বাল (থাবল অঙাওবা শাবা), ওইনাম বাবু, তখেল্লম্বম চাওবা, ময়াং ইম্ফাল তোম্বী, এম কুঞ্জরাজ (ফাগি তৌবা ওজাশিং ঙাক্তনি), তখেল্লম্বম বুধচন্দ্রনচিংবা য়ামখ্রবা ওজাশিং অসিনা লীবিরম্বা ৱারীসি ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা ময়াম অমা য়াওরিবনি। ঐ ইশামক্তা ঐগ্যা জুগেশ্বরনা মাগী পার্টি মৈতৈ লৈমা যত্রা কম দ্রামা এসোসিএসন হায়বসিদা য়াওরসি হায়না থেম্বসি অঙকপনি। মানা ঐঙোন্দা হায়বসি নোক্লিংবা অমদি অঙকপা ৱাহৈ ঙাক্তনি। ঈশৈ লীলা তৌবনা কৈমতা কান্নরোই, গভর্ণমেন্টনসু শকখঙদবা, কৈ কান্নদুইনো অদুদা য়াওরগা, ঐগা লীলা পূন্না তৌসি। মদুনা নঙগী তুংদা কান্নবা হেনগনি গাইনা হায়রিপোৎনি। ঐঙোন্দা হায়বদগী হেন্দোক্তুনা য়ূমদা লাল্লগা ঐখোয় পাবদা ফাওবা অমনা হায়রিবনি। ঐসি মাগী পার্টিদা য়াওহন্নবা হায়দুনা। লীলা শেমগৎপসিদি মরু ওইনা ঐগ্যা জুগেশ্বরনে, পাবুং বিনোদনে মোইসিনা ঐবু তম্বীরম্বনি হায়বা তাইয়ে। মোইদগী ঐ পার্টিগী লীলাগী কাঙলোনগী লুর-লুরবা লৌ অমদি টেক্নিক কয়া তমজহৌই। মোইদি য়াম্না থেংনরল্লুবনি। মোই মোইগী পার্টিদগী হিরো শাবা, হিরোইন শাবা চিংথোকখিবদা মোইনা ৱাবা, কায়দনবা হোৎনবদা, মোইনা তৌখিবা লৌ ময়াম অদু শিৎ নানখৈ হেক তমহৌবনি। অদুনা ঐখোয়গী মতমদদি অমুক ময়াম অদু ঐনা এপ্লাই তৌরকপনি। মতমদুদা পার্টি মরক্তা হায়নখিবনি। ঐনবু অপাম্বা আর্টিষ্ট লৈরবদি মাগীদা শোয়দনা য়াওহনখ্রনি হায়না। ময়াম্নদি খঙদবা লীলা পার্টি অমা শেমগৎপদা, নৎত্রগা মতু-মমান খিংনা লৈনবা হোৎনবদা কয়ামুক ৱাবগে হায়বসি, হায়দোক-তমথোকপতনা ৱাৎলগদবনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৭১

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ৫, ২০১০ ইং :**-দিসেম্বর ২২দা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নোংব্রংদা কে এন এফ (পি) গী শেনখায় থুমখায়গী মায়োক্তা খুঞ্জাশিংনা মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা লম্বী থিংবগী খোঙজং চৎশল্লিঙৈদা লূপ অসিগী মীওইশিংনি হায়বা কাঙবু অমনা নোংমৈ কাপশিনবদা নুপী অহুম শোকখিবা অমদি খোয়শাওনরবা মীয়াম্না তান্নদুনা নহা অনী ফুরগা হাৎখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা লৈঙাক্লা য়াশিন্নবা অমা পুরক্তুনা ঙসি অন্দ্রো এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক কৈথেলমানবী বজারদা কাঙলূপ খুদিংমক্কী মীওইশিং য়াওবা শান্তিগী মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা পূন্না চাক্লেন অমা চামিন্নখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর কে রঞ্জিৎ, আই এফ সী দি অমসুং য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর এন বিরেন, ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর দি দি থাইসি, সাইকুল এ সীগী এম এল এ দাওখোমাং খোংশাই, হিল এরিয়া কম্মিটিগী চ্যেরমেন থাংমিলেন কিপজেন, এম এল এ হাওখোলেট কিপজেন অমদি অন্দ্রো এ সীগী এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমারগী লোয়নবী ববিতানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

মীফম অদুদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর, ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর, ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অমদি তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী লুচিংবশিং অমদি কৈথেলমানবী নোংব্রম বোংবান খুল্লেননচিংবগী অকোয়বদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা খুনশিংগী ভিলেজ চীফশিং, চীফ এসোসিএসনগী এদভাইজরনচিংবসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর বিরেননা হায়খি, থোকখিবা থৌদোকশিং অদু ঐখোয়না কাউথোক্তুনা অমদি মরাল ঙাকপীদুনা লোইশিন্ননবা হোৎনবগী তাঞ্জা অদু লৌমিন্নগদবনি। চাওখৎলবা মতম অসিদা কাঙলূপ অমগা অমগা হাৎনবগী মতম নত্তে। মী হাৎনবগী পুৱারী শেমগুমসি। মদুগী মহুত্তা মীওইবা ফুরুপ্তা কান্নবা পীবা পুৱারী শেমসি।

কুকি নাগা হাৎনবগী থৌদোক থোকখ্রে। মৈতৈ পাঙল হাৎনবগী থৌদোক থোকখ্রে। মদুনা ঐখোয়দা কান্নবা করিসু পীবা লৈত্রি অমদি নীংতম্বা ফংবা লৈত্রি হায়খি।

নোংমৈ পায়বা লালহৌবশিং লম য়াম্না হেল্লে। লালহৌবগী ইথিক্সকী ৱাংমদা থবক তৌদুনা মীচম মীয়ামদা ওৎ-নৈবা চথ্‌রে হায়রদুনা, হান্নদি ষ্টেট লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি ফোর্সকী অৱাৎপা লৈরম্বনা মখোয়না মনিং তৌবা ঙম্লম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি মদু য়াররোই হায়না মিনিষ্টর বিরেননা হায়খি।

মীচম মীয়ামগী সিক্যুরিটি পীনবগীদমক চীফ মিনিষ্টরগী ইন্সত্রক্সন মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সিক্যুরিটি পোষ্ট কয়া হাংদোকপা হৌরে। মীচম মীয়ামদা শোকপা থবকশিং লৈঙাক্লা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীয়াম্না কাঙলূপকী ওইবা ৱাখল্লোন থাদোক্লবা অপীল তৌরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, কাঙলূপকী অখুবা ৱাখল্লোন অসি এটোম বোমদগীসু হেন্না শাথী। ঐখোয়গী মরক্তা খাইবুং তাননবা হোৎনবা মীওই কয়া লৈতবা নত্তে। মদু খঙনা মীয়াম্না চৎপীয়ু।

সাইকুল এ সীগী এম এল এ দাওখোমাং খোংশাইনা হায়খি, মণিপুর হায়বসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা মফমনি। কাঙলূপ অমত্তনা মণিপুরগী মহুৎ শিনবা য়ারোই। থোকখিবা থৌদোকশিংনা থোকখিবা ওইরবসু ঐখোয়না তুংগী শান্তি ওইবা মণিপুর অমগীদমক তাইবঙ শেম্বা মপুদা খুরুমসি। খূৎলায় পায়রিবা লালহৌবশিংনসু মীয়ামদা ওনশিন্দুনা ওৎপগী থবক তৌবা লেপ্পু। মিনিষ্টর রঞ্জিৎনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা চীং-তম হায়বসি অমত্তা ওইবা মীৎয়েং য়েংদুনা নাকল অনীমক খল মান্ননা চাওখৎমিন্নবা থবক পায়খৎতুনা লাক্লি। লৈঙাক অসিনসু চীং-তম হায়বা খায়দনা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং চঙ-চঙদুনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎলি । লাক্লিবা ফেব্রুৱারী থাদসু চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংলগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী হঞ্জিনবা মফমশিং চৎকদৌরি। নোংব্রমগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুনা চীং-তমগী নুংশিনবগী শান্তিগী খুদম অমা ওইরসনু ফোঙদোল্লদুনা লমদম অদোমদা খুন্দারিবা কাঙলূপশিংগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবগী পান্দমদা কৈথেলমানবীদগীনা য়াইরিপোক তাবা কিলোমিটর মঙাগী লমবী অসি শেল্লগনি হায়না মীফম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা লাউথোকখি।

ঙসিগী মীফম অদু লোইরবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপকী মীওইশিংনা পূন্না চাক্লেন অমা চামিন্নখি।

**জন্যুৱারী ৫, ২০১০ ইং :**-ইম্ফালগী পাওনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলদা ঙসি নুংথিল পুলিসনা থি-হুম্বগী থবক চথ্‌খ্রে। ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদগী মতম অমত্তদা কৈথেল অনী অসিগী মনুংদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা চৎলম্বা নুপাশিং তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা হোইজিন্দুনা মশক মশা খঙদোকপগী থবক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা পাঙথোকখি।

পাওনা কৈথেলগীনা কাখুলোং তাবা লম্বীদা অদুগা থাঙ্গাল কৈথেলগীনা ধর্ম্মশলাদা মীয়াম অদু হোইজিনখি। অদুম ওইনমক থি-হুম্বগী থবক চথ্‌খিবা অদুদা মীফা-মীপূনগী পাউদি লৈতে হায়রি।

**জন্যুৱারী ৬, ২০১০ ইং :**-মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওপোজিসন লিদর এম এল এ রাধাবিনোদ কোইজমগী থাংমৈবন্দদা লৈবা য়ূমদা ঙসি নুংথিল মশক খঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লকপগী থৌদোক্তা সিক্যুরিটি এস্কোর্ট ওইবা মণিপুর রাইফলসকী জৱান অমা শোক্লে। নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি), মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ওপোজিসন লিদর রাধাবিনোদ কোইজমনা থৌওং অদু এক্সটোর্সনিষ্ট গ্রুপ অমনা চথ্‌বা ক্রিমিনেল এক্টনি, ইন্সর্জেন্সিগা মরী লৈনবা মান্দে হায়না ফোঙদোকখি।

রাধাবিনোদ কোইজম হান্না চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্মী।

ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা হোন্দা এক্টিভা তোংদুনা লাকপা মশক খঙদবশিংনা লংশিল্লম্বা গ্রেনেদ অদু এম এল এগী য়ূমগী গেট মনাক্তা লৈবা সন্ত্রি পোষ্ট মখোঙদা পোকখায়খি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী সিনিয়র এস পি এন কাইলুননা ফোঙদোরক্লি। গ্রেনেদ অদু চাইনানা শাবা মখলগী ওইরম্বা য়াই হায়নসু মখা তারকখি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়, সন্ত্রিগী মথৌ তাবা এম আর পর্সনেল অমনা গ্রেনেদ লংবা অদু উহৌখি। এম এল এগী মখা থংবা শঙ্গোইদা লৈবা তরেৎশুবা এম আরগী পর্সনেল য়াইরিপোক য়াম্বেমদগী কে ঐচ দেবন্ত (২৫) গী ওইথংবা পিশুমদা বোম পোকখায়বগী মচেৎনা পানবদগী শোকখি, দেবন্ত রিমসতা পুখৎখ্রে।

এক্সটোর্সন, শেনখায় অমদি কিহনবা অসি মণিপুরদদি য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোক অমা ওইরে হায়না আর বিনা ফোঙদোরকখি।

মীপূম খুদিংমক্তা গভর্ণমেন্টনা সিক্যুরিটি পীবা হায়বসি ওইথোক্তে। মশাদা শেনখায় অমদি কিহল্লকপা লৈতে। থৌওং অসি লালহৌবশিংনা চথ্‌বদি মান্দে অদুবু এক্সটোর্সনিষ্ট গ্রুপ অমনা চথ্‌বা ক্রিমিনেল এক্ট ওইগনি হায়না আর বিনা মখা তারকখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তোপ য়ারলপাৎ তাবা লম্বীদা লেথোদ বোম অমা তারম্বদগী বোম এক্সপার্টশিংনা লৌথোক্তুনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

**জন্যুৱারী ৬, ২০১০ ইং :**-ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা শিংজমৈ ভৈগ্যবতি লৈকায়দা লৈবা মাতা হোলগী মায়োক্লবদা ঙসি নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবদা নন লোকল অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং সামুএল অরিয়া (২৭) কৌই হায়রি। মহাক ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দাবী ভিলেজ কুশ বিহার দিষ্ট্রিক্টতগীনি। শিংজমৈ ভৈগ্যবতি লৈকায়দা ভারাদা লৈরবনি হায়রি। মহাক্কী মকোক্তা নোংমৈ মরূ অমা পানবগী দাগফম লৈ। থৌদোক অসিগী মতাংদা পোরোম্পাৎ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা, সেকমাইজিন খুনৌদা কে ৱাই কে এলগী কেদরশিং লৈরে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী থা অসিগী ৪দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা ওপরেসন চথ্‌বদা মীওই অমা ফারে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিনিয়র এস পিনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ফারবা মীওই অদুগী মমিং উরিৎখিনবম মংলেম (৩২) অপোকপগী মিং ইবোহল কৌই। সেকমাইজিন খুনৌদগীনি। নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ১.৪৫ রোম তাবদা এ কেগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৪ গা কোন্ননা ফাবনি হায়রি।

ৱাহং পাউহং তৌবদা মহাক কে ৱাই কে এলগী এক্টিভ মেম্বরনি, হৌখিবা কুমজা ২০০৫দা লিকপা কৌবা সেকেন্দ লেফটিনেন্ট (ফাইনান্স সেক্সন) অমগী খূথাংদা কে ৱাই কে এল য়াওবনি হায়না ফোঙদোকই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।